# সোমালিগী ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে



মোগাদিসু, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
সোমালিগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী টর্ম চহী অনী অমুক হন্না শাংদোকহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন অনীগী মরক্তা চাওনা য়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি।

ঙরাংদগী হৌরগা রুল্লিংগী ৱার্করশিং অমদি ওপোজিসনগী সপোর্টরশিংগা উংখৎনদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি সোমালি ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে। সোমালি গভর্ণমেন্টফাইটরশিংসু মখোয়গী ফীভম শেমদুনা লৈখ্রে।

ঙসি ওপোজিসনগী খূৎলাই পায়বা লান্মীশিং বুলেট প্রুভ ভেহিকল অমসুং মেছিনগনশিং মোগাদিসুগী অকোয়বদা থৌজিল্লকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বী খরসু থিংজিনখ্রে। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উখিবা অব্দুলাহি মিরনা ফোঙদোকখিবদা সোমালি সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং প্রো ওপোজিসন ফাইটর অনীমক্না সরক্কী ৱাংমা ৱাংমদা ফীভম শেমদুনা লৈনখ্রে।

সিভিলিয়ন ট্রান্সপোর্টেসনগী থবক্তি লম্বী খরদা অদুমক চথুরি। অদুগা লম্বী খরদনা মপুং ফানা অথিংবা থমখ্রে। চহী দিকেট কয়া লৈবাক মনুংগী ওইবা উংখৎনবগী থৌওংশিংনা সোমালিয়াগী ফীভম অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না শোথনা লাকখিবনি। চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোকপা ঙমখিদবা অসিনা মরম ওইরগা সোমালিয়াদা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লক্রবা মরম অমা ওইরক্লি।

সোমালিদা হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা মীয়াম্না ফরমাজো হায়রগা হেন্না খঙনরিবা মোহমদ অব্দুলাহিনা অনৌবা লো অমা শেমদুনা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম চহী ২ শাংদোকহনখিবনি। ফরমাজোগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদা ওপোজিসনগী ৱার্করশিং থোরক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখি।

পুলিসনা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। নাকল অনী উংখৎনখিবা অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন থোকপগী পাউ লৈত্রি। প্রো ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরদা অরিংবা মখলগী খূৎলাইশিং পায়দুনা লৈখ্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খূৎ থোক্লবা লৈত্রি হায়রি।

# ইজরেল পুলিসশিংনা জেরুসালেমদা থল্লম্বা বেরিকেদশিং অমুক হন্না লৌথোকখ্রে

জেরুসালেম, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
ইষ্ট জেরুসালেমগী মনুং চন্না লৈবা অল-অকসা মোস্ক কম্পাউন্দদা ইজরেলি পুলিসশিংনা বেরিকেদ থমজিল্লকপদগী পেলিষ্টিনিয়নগী মীয়ামগা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং ইজরেলি পুলিসশিংনা মখোয়না থমজিল্লুবা বেরিকেদশিং অদু অমুক হন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা লৌথোকখ্রে হায়রি।

রামদান থাগী মতমদা হায়রিবা মোস্ক অসিদা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া লাক্তুনা লাই খুরুম্বগী থবকশিং চথুরি। অদুবু ইজরেল পুলিসশিংনা মোস্ককী অকোয়বদা বেরিকোদশিং থমজিল্লকপদগী উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। ইজরেলি পুলিসশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মোস্ক অদুদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং চঙহনবগী পান্দমদা বেরিকেদশিং অদু থমখিবা নত্তে। কোভিদ-১৯ রেষ্ট্রিক্সনগা মরী লৈননা বেরিকেদশিং অদু থমখিবনি।

বেরিকেদশিং থম্বগী মরম মীয়াম্না হংবগী মহুত্তা বেরিকেদ থমজিনখিবা অদু য়নিংদে হায়না মীয়াম্না ঈহৌ হৌরকখিবনি। মোস্ক মনাক্তা থোকখিবা পুলিস অমসুং পেলিষ্টিনিয়নশিং উংখৎনবগী থৌদোক অদু ইজরেলি পুলিসনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রে। মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবা লৈত্রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মশীং য়াম্লবা পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা মফম মরাং খঙদনা নুমিদাংগী মতমদা ঈহৌ হৌরকপদগী পুলিসকা অকনবা মওংদা মুক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। থৌদোক অদুদা পেলিষ্টিনিয়ন ১০০ রোম অশোক অপন নংখি। অদুগা খরনা পুলিসনা দিটেন তৌরগা থমখি। ইজরেলি পুলিসনা পেসিষ্টিনিয়ন পুলিসনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা তাথি তাওইনা তৌখিবা লৈতে। অদুবু মশাগী লন্নাই ইনরেষ্টতা থবক তৌবা মীওই খরনা ইজরেলি ফোর্সশিংনা পেজিষ্টিনিয়নশিংবু ওৎপী নৈবিবগী থবক চথুরে হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু লাইবকথিবনি।

অল-অকসা মোস্ক মনাক্তা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মদুদা লাই খুরুম্বা লাকখিবা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী অশেংবা খুদমনি। মরমদি মুক্নখিবা অদুদা পুলিসনা ঈহৌ হৌখিবা মীওইশিংগী মথক্তা অরানবা অমদি অহেনবা থবক অমত্তা চথখিদে হায়বসি মখোয় মশানা খঙলবা ঙাক্তনি।

ইজরেলি পুলিসনা মোস্ক মনাক্তা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা বেরিকেদশিং থমজিল্লুবা অদুনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি লাক্কনি হায়বা মাংজৌননা খঙলম্লবদি বেরিকেদশিং অদু থল্লমদবসু য়াই অদুবু মীয়ামগী য়েংলগা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা বেরিকেদশিং অদু লৌথোকপনি হায়না ইজরেল পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।



# খালিফা হফটারগী সপোর্টরশিংনা গভর্ণমেন্ট দেলিগেসন চঙহনখিদ্রে

ট্রিপোলি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
লিবিয়াগী বেঙ্গাজি সিটিদা ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা লিবিয়ন কেবিনেট মিটিং অমা মিলিটরি কম্যান্দর খালিফা হফটারগী লান্মীশিংনা মরম ওইরগা পোস্পোন্দ তৌখ্রে হায়রি।

খালিফা হফটার শৌগৎপা মীয়াম অমদি মহাক্কী লান্মীশিংনা লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল হামিদ বৈবেনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা কেবিনেট মিটিং অদুদা শরুক য়াগদবা গভর্ণমেন্ট দেলিগেসন টিম অমা বেঙ্গাজিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থুংলখি। বেনিনা এয়রপোর্টতা গভর্ণমেন্ট দেলিগেটশিং অদু থুংলরবা মতুং হফটারবু শৌগৎপা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা সিটিদা চঙহনখিদবগা লোয়ননা নম্ফুদা মখোয়বু লৈবাক অদুগী কোনুং ত্রিপোলিদা অমুক হলহনখিবনি হায়রি।

# ফ্রান্সনা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌগদৌরি

পেরিস, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কা হেন্না শন্দোরকপদগী লৈবাক অদুগী মীয়াম্না ওক্সিজেন ভেন্টিলেটর ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অদুগীদমক য়েংলগা ফ্রান্সনা ইন্দিয়াদা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌগদৌরি হায়না ফ্রেন্স প্রসিদেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রান্স খক্তা নত্তনা জর্মনি, বৃটেন অমসুং য়ু এসনসু ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা খুদোংচানবগীদমক মতেং কয়া পীনবা শেম শাবা হৌখ্রে। ইন্দিয়াদা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই লাক্ষ অহুমগী মথক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু ইন্দিয়াদা মতেং পীনবগীদমক শেম শাবা হৌরে হায়না হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ইন্দিয়াদা শান্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ কী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি মালেমগী লৈবাকশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরবা য়াই হায়রি।

# অতাঙবা মখলগী কৈ ১ পুলিস ১সুং ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা ফাবা ঙমখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
মালেমদা য়াম্না তাঙনা ফংবা মখলগী কৈ (সাইবেরিয়ন টাইগর) অমনা ঙসি চাইনাগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গংদা চঙশিল্লক্তুনা এটেক চথরল্লবা মতুং কার অমা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

পুলিস অমদি ফোরেষ্ট্রি ওফিসলশিংনা পুং অমরোম হেন্না হোৎনরবা মতুং কৈ অদু ফাবা ঙমখ্রে। অমদি নুমিৎ ৪৫ নিগী ওইনা ওবজার্বেসন তৌদুনা থল্লগনি হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনা অমসুং রুসিয়াগা তাইনবা শরুক্তা লৈবা হৈলোংজিয়াং প্রোভিন্সকী মনুং চনবা লিনহু ভিলেজদা ঙসিগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অদু সর্জরিগীদমক হোস্পিটালদা পুখ্রে। মহাক্কী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। সাইবেরিয়ন টাইগর অদু য়ামদ্রবদা চহী ৩ শুরল্লগনি। কৈ অদু চাওরাক্লা কিলো ২২৫ রোম লুম্মী হায়রি।

# ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিগী গ্রুপশিং জেলদা থম্নবা রুসিয়ন কোর্টনা খঙহনখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
রুসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লুবগীদমক রুসিয়ন ওথোরিটিনা জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনিগী নেটৱার্কশিং সস্পেন্দ তৌনবা অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবশিং ফাদুনা জেলদা থম্নবা রুসিয়াগী কোর্ট অমনা ঙসি ওর্দর তৌখ্রে।

নভালনিগী এন্টি করপসন ফাউন্দেসন অমসুং মসিগী নেটৱার্কশিং অসি লালহৌবশিংগা মরী লৈনৈ হায়না রুসিয়ন কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা টেরোরিজমগী থবক থৌওংশিং চথবগী মরালদা মখোয়বু ফাজিন্নবা ওর্দর তৌখিবনি।

অমরোমদা নভালনিগা চৎমিন্নরম্বা মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা নভালনিবু ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থমখ্রবা মতুং মহাক্না শেমগৎলম্বা নেটৱার্কশিং হৌজিক ফাওবা মপুং ফানা মথৌ তৌবা ঙমদ্রি। রুসিয়ন ওথোরিটি অমদি পুলিসশিংনা য়াম্না তোয়না নভালনিগা নক্লবা মীওইশিংবু মরাল পীশিন্দুনা ফানবা হোৎনদুনা লাকপনা মরম ওইরগা মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমখিদবনি। নভালনিগা নক্না চৎমিন্নরম্বা মীওই খরসু য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া পীশিল্লবা মতুং ফাজিন্দুনা জেলদা থমখ্রে হায়রি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
| --- | --- | --- | --- |
| Maharashtra | 43,00,000+66,191 | 35,30,000+61,450 | 64,760+832 |
| Kerala | 14,10,000+28,469 | 11,80,000+8,122 | 5,110+30 |
| Karnataka | 13,40,000+34,804 | 10,60,000+6,982 | 14,426+143 |
| Uttar Pradesh | 10,90,000+35,311 | 7,78,000+25,633 | 11,165+206 |
| Tamil Nadu | 10,80,000+15,659 | 9,63,000+11,065 | 13,557+82 |
| Andhra Pradesh | 10,30,000+12,634 | 9,36,000+4,304 | 7,685+69 |
| Delhi | 10,30,000+22,933 | 9,19,000+21,071 | 14,248+350 |
| West Bengal | 7,44,000+15,889 | 6,44,000+8,407 | 10,941+57 |
| Chhattisgarh | 6,52,000+12,666 | 5,21,000+11,595 | 7,310+199 |
| Rajasthan | 5,14,000+15,809 | 3,74,000+6,649 | 3,601+74 |
| Madhya Pradesh | 4,99,000+13,601 | 4,03,000+11,324 | 5,133+92 |
| Gujarat | 4,96,000+14,296 | 3,75,000+6,727 | 6,328+157 |
| Haryana | 4,24,000+10,985 | 3,46,000+6,057 | 3,767+64 |
| Odisha | 4,07,000+6,116 | 3,63,000+3,464 | 1,988+7 |
| Bihar | 4,04,000+12,795 | 3,14,000+7,533 | 2,155+68 |
| Telangana | 4,02,000+6,551 | 3,34,000+3,840 | 2,042+43 |
| Punjab | 3,39,000+6,980 | 2,83,000+5,315 | 8,432+76 |
| Assam | 2,38,000+1,844 | 2,20,000+558 | 1,200+14 |
| Jharkhand | 2,02,000+5,903 | 1,52,000+3,287 | 1,991+103 |
| Jammu and Kashmir | 1,61,000+2,381 | 1,39,000+866 | 2,147+21 |
| Uttarakhand | 1,52,000+4,368 | 1,14,000+1,790 | 2,146+44 |
| Himachal Pradesh | 87,501+1,363 | 72,588+1,165 | 1,336+32 |
| Goa | 77,477+2,293 | 62,771+658 | 1,017+24 |
| Puducherry | 53,279+1,008 | 45,243+476 | 748+11 |
| Chandigarh | 38,692+749 | 33,021+413 | 435+2 |
| Tripura | 34,627+98 | 33,470+62 | 394 |
| Manipur | 30,421+140 | 29,231+38 | 385+2 |
| Arunachal Pradesh | 17,607+61 | 16,968+28 | 58+2 |
| Meghalaya | 15,994+208 | 14,446+62 | 160+2 |
| Ladakh | 13,357+120 | 11,192+63 | 138+2 |
| Nagaland | 13,183+180 | 12,406+56 | 98+3 |
| Sikkim | 7,306+148 | 6,234+11 | 138+1 |
| Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu | 6,580+201 | 4,577+106 | 4 |
| Andaman and Nicobar Islands | 5,665+51 | 5,467+57 | 66 |
| Mizoram | 5,410+22 | 4,671+8 | 13 |
| Lakshadweep | 2,126+164 | 947+30 | 1 |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLCTOR, KAKCHING**

**Ref :- Mut. Case No. 77/SDC/K** **Dt. 02/02/2021**

L. Pakneikip W/o Neikhothang of Aimol Chingnunghut - Petitioner
-Vrs-
(Late) Chongokeng Kom D/o (Late) Banoibung Kom of Aimol Khullen at present Khunyai. - OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kakching, the 26th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচীং তহশিল খুল নং ৫০ আইমোল খুল্লেন অনৌবা পাট্টা নং ৬১, অরিবা পাট্টা নং ১০৭কী দাগ নং ৬৫৭কী লম হেক্তর ১.৩০০৩ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্ত দংকারিশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৪/৫/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ৱাকৎপীরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চখ্নজরগনি।

HL-B/6950/27 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Kakching***

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mut. Case No. 320/AS&SO-VIII/Kakching dt. 17/04/2021**

Yendrembam Keshorjit Singh S/o. (L) Y. Mani Singh
of Kakching Ningthou Leikai -Petitioner
-Vs-
(LATE) Yendrembam Kumarjit Singh S/o. (L) Y. Mani Singh
of Kakching Ningthou Leikai - Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated/Kakching 26nd April 2021

Under Section 46(3) of ML & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ককচীং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং 58-Kakching Khullen পাট্টা নং 62, (Old) 25/pt-E (New), দাগ নং 210/pt (E) গী এরিয়া ০.০৮৭৫ একর চাউবা ইশ্বোল অঙনফৌ মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি।

*Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching
*HL-P/9505/27*

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 244/ASSO/KCG-VI dt. 16/04/2021**

Yendrembam Memcha Devi W/o. Ningthoujam Raju Singh
of Thoubal Kiyam Siphai -Petitioner
-Vs-
(LATE) Yendrembam Kumarjit Singh S/o. (L) Y. Mani Singh
of Kakching Ningthou Leikai - Opp. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated/Kakching 22nd April 2021

Under Section 46(3) of ML & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ককচীং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং 63-Kakching Wairi পাট্টা নং 79, (Old) 542/pt-A (New), দাগ নং 398/pt-A গী এরিয়া ০.০৪ একর চাউবা ফৌরেল অঙনফৌ মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখরগনি।

*Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching
*HL-P/9505/27*

# চহী ৪৪ গী মথক্তা লৈবা খুদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপ্নবা শেম শাবা লোয়রে

লন্দন, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
বৃটেনদা লৈরিবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা মীওই খুদিংমক কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক ঙসিদগী হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীপুম খুদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্নবা শেম শাবা লোয়রে হায়না য়ু কেগী নেস্নেল হেল্থ সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

নেস্নেল বুক্কিং সার্ভসকী খূত্থাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা অমদি মসিদগী হেল্লবা মীওই মিল্লিয়ন তঙ্খায় অমরোম কোভিদ ভেক্সিন হীদাক কাপ্পিনবগীদমক হায়জরকপা লৈখ্রে। মখোয়শিং অদু অথুবদা কোভিদকী হীদাক কাপথোক্লগনি। লেমহৌরিবা লৈবাক অদুগী সিটিজেন খুদিংমক্সু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুদা মতেং পাংবগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিনেসনদা শরুক য়ানবা হেল্থ সার্ভিসকী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মপুং ফানা ঙাকথোক্কে হায়রবদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা মথৌ তাই হায়রি। লৈবাক অদুদা লৈবা চহী ৫০ মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী চাদা ৯৫ দি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে হায়না য়ু কেগী হেল্থ সেক্রেটরি মেথ হেনকোকনা ফোঙদোরক্লি।

# মালিদা চখুরকখিবা রোকেট এটেক্তা য়ু এস পিসকিপ্পর অহুম শোকখ্রে



য়ু এন, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) :
মালিগী অৱাং থংবা শরক্তা লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা চখুরকখিবা রোকেট এটেক অমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পিসকিপ্পর অহুম শাথিনা শোকখ্রে হায়না য়ু এন অমসুং লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱেষ্ট অফ্রিকান কন্ট্রিদা লৈরিবা য়ু এন পিসকিপ্পিং মিসনগী ৱাঙাঙলোয় ওলিভর সালবাদোনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাংগী থৌদোক অদু মালিয়ান সোলজরশিং, য়ু এন পিসকিপ্পরশিং অমসুং ফ্রেন্স ক্রুপশিং পুন্না লৈরিবা তেসালিদকী বেজ অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা য়ু এন পিসকিপ্পর অহুম শাথিনা শোকখি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মশক মমিং তাকথোকউ য়াদবা টেসালিদ ত্রাইবেল লিদর অমনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক অদু রোকেট কাপশিন্দুনা চখুরকখিবনি। টেসালিদা লৈরিবা ত্রাইবেল কয়ানা লান্মীশিংগী বেজ অদু তম্না রোকেট কাপশিল্লকপা উহৌখি। রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথুখ্রবসু মফম অদুদা হৌজিক হৌজিক য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক অমত্তা থোকপা লৈত্রি। হান্নগুম ঈংনা চিক্লা লৈরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২ দগী হৌরগা মালিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাক্লি। মালিগী ইথনিক তুরেক সেপরেটিষ্টশিংগা রেবেল ফাইটরশিংগা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২ দা পুনশিনখ্রবা মতুং মালিগী অৱাং থংবা শরুক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি। ফ্রান্সনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরিবা গ্রুপশিং অদুবু কয়ারক হন্না মায়থিবা পীখ্রবনি। অদুবু অমুক হন্না কুমজা ২০১৫ দা পুনশিন্নরক্তুনা হান্নগুম্না নোংমৈ পায়দুনা মখা তানা ঈহৌ হৌরকখিবনি। খূৎলাই পায়বা লোনা য়াদবা কাঙলুপশিং অসিবু য়ু এননা মালিদগী তকথোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি। মতম খরগী মনুংদা শুংশোই শোয়দনা মালিদগী খূৎলাই পায়বা গ্রুপশিং অসি লৌথোকপা ঙল্লগনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLCTOR, KAKCHING**

**Ref :- Mut. Case No. 78/SDC/K** **Dt. 02/02/2021**

1. Ch. Sumsochung Aimol S/O Ch. Lalsiak of Aimol Komberei.
2. Sumneitian Chaithu S/o Lalsiak Chaithu of Aimol Komberei
- Petitioners
-Vrs-
(Late) Lalsek Aimol S/o (Late) Sumnungbum Aimol of Komberei.- OPP.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Kakching, the 26th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচীং তহশিল খুল নং ৫১ আইমোল খুনৌ (১) অনৌবা পাট্টা নং ৩৪, অরিবা পাট্টা নং ২৭, ২৮গী দাগ নং ১৪৫গী লম হেক্তর ১.৫০৩৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অমসুং (২) অনৌবা পাট্টা নং ৩৩, অরিবা ১৯৭কী দাগ নং ১৪৪গী লম হেক্তর ৬০৭৩ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্ত দংকারিশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৪/৫/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ৱাকৎপীরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চখ্নজরগনি।

HL-B/6950/27 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Kakching***

GOVERNMENT OF MANIPUR
**PUBLIC WORKS DEPARTMENT**

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **TENDER NOTICE NO : 26**
Dated/Imphal, the 26th April, 2021

The undersigned invite tender in PWD Form – 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 10th May, 2021 up to 3.30 PM.

| SL No. | Name of work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Complete renovation of IEI in the existing TD Block / SDO Office at Kamjong. | Rs. 7,48,898/- | Rs 14,978/- | Rs. 500/- | 30 days |
| 2. | Complete renovation of IEI in the existing TD Block / SDO Office at Phungyar. | Rs. 7,48,898/- | Rs 14,978/- | Rs. 500/- | 30 days |

The tender will be opened by the undersigned on 10th May, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 05/05/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money / Demand Draft / Banker's Cheque / Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 07/05/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No. II,
PWD, Manipur.

*HL-B/9651/27*